ইরৈবাক

১৮ শুবা চহি ২৬১ শুবা মশিং | ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৮, ২০২০ মেরা ১২ নি পানবা য়ুমশকৈশ | www.ireibak.in | লুপা ১.৬০

ফাইন থিহনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ মনিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী কোভিদ ১৯ গী লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বীদা ফেস মাস্ক উপ্তনা থোরকপা অমদি সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তনা চখরি। ওক্তোবর ২৭ গী ওইনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ৩৬১ ফাগৎলগা মতুং তৌদনবা ৱার্নিং পিরবা মতুং ফাইন ওইনা লুপা ৭০,৩০০ থিহল্লগা থাদোকখ্রে হায়রি। মনিপুর পুলিসকী আই জি পি (ওপস) ই প্রিয়োকুমারগী চেরোলদা পুলিসনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি মীয়াম মরক্তা কোভিদ ১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবনি। মসিদা হায়বা ইন্দবশিং নেস্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মখাদা দন্দি ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

হৈরোক কেন্দ্রগী সলুংফম লম্বী শেম্বীদবগী মীয়াম্না রেল্লি লাকপদা পুলিসনা থিংখিবা

পুং ২৪ দা মীওই ৬ শিদুনা কোভিদনা শিখিবা ১৫০ য়ৌখ্রে নৌনা ১৮০ পোজিটিব ওইরে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা পোজিটিব ওইবা মীওই ৬ শিদুনা মনিপুরদা কোভিদনা শিবা অপুনবা মীশিং ১৫০ য়ৌখ্রে। পুং ২৪ অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ট্রেভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ১৮০ পোজিটিব ওইরে। কোভিদ ১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোলদা নৌনা পোজিটিব ওইরিবশিং জেনিমসতা টেষ্ট চখবদা মীওই ২৫, রিমসতা ১৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৯, ইম্ফাল ইষ্ট ১০, ইম্ফাল হোস্পিটাল ১, নোনে ১, চান্দেল ৪, মাইপাকপী হোস্পিটাল ৩, তেংনৌপল ৮, মাদর কেয়র হোস্পিটাল ১, রাজ মেদিসিটি ৮, আর দি ৱিং ২, সমরিতান ২, স্কাই হোস্পিটাল ১, বিষ্ণুপুর ৫, সেনাপতি ১, চুরাচান্দপুর ৮, থৌবাল ৭, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৪, স্বিচ ক্লিনিক ৩, সিজ হোস্পিটাল ১৭, তমেংলোং ২১, অমদি ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা মীওই ১৫ পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

অনৌবা পোজিটিব কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ৫৯, ইম্ফাল ইষ্ট ৩৫, থৌবাল ২১, তেংনৌপল ৯, কাংপোকপি ১, বিষ্ণুপুর ৮, উখ্রুল ১, সেনাপতি ৩, চুরাচান্দপুর ১২, নোনে ১, তমেংলোং ২৩, চান্দেল ৬, অমদি কামজোংদগী ১ নি।

পোজিটিব ওইরবশিং মনা নকপা কোভিদ কেয়র সেন্টরশিংদা থম্বগা লোয়ননা মখোয়গা লোয়নরম্বা মীওইশিং খোঙ্গুল লিবগী থবকশিং চখবা হৌখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কাংপোকপিদগী মশাগী চহি ৪৯ শুরবা নুপী ১, জেনিমসতা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহি ৬৩ শুরবা নুপা ১, সিজ হোস্পিটাল লাঙ্গোলদা চুরাচান্দপুরদগী চহি ৬৫ শুরবা নুপা ১, দিদিকেটেদ কোভিদ হেলঠ সেন্তর চুরাচান্দপুরদা কোভিদনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে মখা তানা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা হোম আইসোলেসন্দা লৈবা চহি ২৭ শুরবা নুপী অমসু কোভিদনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহি ৭৬ কী নুপী অমগা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহি ৬৭ শুরবা নুপা অমসু রিমসতা লৈখিদ্রে। লৈখিদবা মীওই ৬ অসি থারগা ষ্টেট অসিদা কোভিদনা লৈখিদবা মীওই ১৫০ য়ৌখ্রে।

ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসন্দা লৈবা য়াওনা কোভিদ কেয়র সেন্টরশিংদগী মীওই ১৫১ দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখিবশিং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সতগী ৯, হোম আইসোলেসন্দগী ১৩, রিমস ২, জেনিমস ১১, লম্ফেলইখোংনাংখোং ৪৪, য়ুনাক্কো মৈত্রম ১১, লমদিং ১, আর দি ৱিং ৪, নোনে ৪, জিরিবাম ১, মোরে ৪, বিষ্ণুপুর ৫, বাল ভাবন ৮, থৌবাল ১৪, তমেংলোং ৫, জে এন ভি চান্দেল ১, সেনাপতি ৮, কাংপোকপি ১, অমদি উখ্রুলদগী ৫ নি। ওক্তোবর ২৭ ফাওবদা মনিপুরগী অপুনবা কোভিদ পোজিটিব কেস ১৭৬০৪ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসন খক্তগী পোজিটিব কেস ১৪৮৮৯ নি। সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলগীনা ২৭১৫ নি। লায়েংবদগী ফদুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা অপুনবা কোভিদ পেসেন্টনা ১৩২০৮ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ১০৭৮০ অমদি সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলগী ২৪২৮ য়াওরি।

এক্তিব কেসতা পোজিটিব ওইবদগী লায়েংদুনা লৈবা অপুনবা মীশিংনা ৪২৪৬ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ৩৯৬৩ অমদি সেন্ট্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলদা ২৮৩ নি। রিকোভরি রেটনা ৭৫.০২ ওইরি। কনাগুম্বনা পোজিটিব ওইবা মীওইশিং শম্নরুবগী চিংনবা লৈরবদি থিন্থবা তৌদনা ইশা মী অতৈদগী তোখায়না লৈবিরগা কোভিদ কন্ট্রোল রুম নৎত্রগা মরি লৈনবা সি এম ও ওফিসকা পাও ফাওনরগা কোভিদ টেষ্ট তৌনবা হোৎনবিয়ু। ইশাদগী অতোপ্পা মীওইদা লায়না লায়চৎ শন্দোকখিবা থিংবনা লায়না লায়চৎ অসি লাম্থেংনবদা মায় পাক্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি। য়ুমদগী মপান থোকপদা শুংশোই শোইদনা ফেস মাস্ক শিজিন্নবিয়ু। খুৎ শা তোয়না হাম্বগা লোয়ননা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপিয়ু হায়রি।

মরক অসিদা ওল ইন্দিয়াগী ওইনা পুং ২৪ অসিদা নৌনা মীওই ৪৮০ শিদুনা কোভিদনা লৈবাক অসিদা শিখিবা অপুনবা মীশিং ১১৯৫০২ য়ৌখ্রে। পুং ২৪ অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিদা জুলাই ১৭ কী মতুংদা খ্বাইদগী নেম্বা চাংদা মীওই ৩৬৪১০ নৌনা পোজিটিব ওইদুনা অপুনবা পোজিটিব কেস ৭৯৪৬৪২৯ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা লায়েংবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৭২০১০৭০ নি। এক্তিব কেসতা হৌজিক লায়েংদুনা লৈবা কোভিদ পেসেন্ট মশিংনা ৬২৫৮৫৭ নি। য়ুনিয়ন টেরিটোরি দিলি, করনাতাকা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, মহারাষ্ট্র অমদি কেরেলাদা কোভিদকী কেস হৌজিকসু খোঙজেল য়াংনা হেনগৎলি। লেমহৌরিবা অতৈ য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং ষ্টেটশিংদদি পোজিটিব কেস মশিং চাওনা হন্থখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেলঠ মিনিষ্ট্রিদগী ওক্তোবর ২৭ তা থাদোকপা লৈঙাক্কী রিপোর্ট অমনা ফোংদোরক্লি।

এন পি পি মনিপুরগী কাঙলুপ অমা বি জে পি দা চোন্থরপ য়াওখ্রে কংগ্রেসকী মতম লোইরে মতম শাংনা হৌগৎপা ঙম্লরোই – এম পি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ মনিপুরগী বি জে পি না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা মপুং ওইনা চৎমিন্নরিবা নাকপাক তানখ্রবা এন পি পি মনিপুর য়ুনিৎকী প্রসিদেন্ট থাংমিনলিয়েন কিপগেন, পার্টি অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অজাং খোংশাই য়াওনা ওফিস বিয়ারর ১৮ ঙসি বি জে পি দা য়াওখ্রে। বি জে পি দা য়াওরকপদা চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি বি জে পি মনিপুরগী প্রসিদেন্ট এস তিকেন্দ্রনা তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসি অয়ুক চিফ মিনিষ্টর বঙ্গলোগী দরবার হোলদা পাংথোকখিবা তরাম্না ওকপা অদুদা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খিবদা কংগ্রেসকী মতম লোইরে। মনিপুর য়াওনা সেন্টরদা মতম শাংনা হৌগৎপা ঙমখিরোই। এন পি পি মনিপুরগী ওফিস বিয়ারর পুল্লপ বি জে পি দা য়াওরক্লবনিনা পার্টি অসিগী মিনিষ্টর ২ অমদি এম এল এ ২ অসি পার্টি লৈতবা হায়বদু ওইরে হায়খি।

এম পি না হায়খিবদা কংগ্রেস পার্টিদা এক্সপিয়ারি ওইরবা কয়ানা অনেম্বা থাক্কী পোলিটিক্স তৌরি। পোলিটিক্স তৌরিবনি হায়দুনা মীগী ইমুং মনুংগী মরমদা ৱা ঙাংদুনা লৈবা অসিনা পার্টি অসিগী থাক অদু উৎচরবনি। মীয়ামগী পুন্সি মহিংবু হেন্না য়াইফনবা অমদি চাওখৎ থৌরাংগী মাইকৈরোমদা পোলিটিক্স তৌহন্নিংই।

এম এল এ ২১ খক কাখিবা বি জে পি না লুচিংবা মনিপুরগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমখিবসি লমদমসিবু চহি ১৫ চুপ্পা অমম্বা মরক্তা থল্লম্বদু মখা থম্বা পামদবদগী বি জে পি দা শৌগত্তুনা অনৌবা লৈঙাক অসি শেমখিবনি। চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংলিবা লৈঙাক অসি লাকখিবদগী চীং তমগী মরক্তা উনহন্দনবা খারম্বা শম্বল অদু লৌথোক্তুনা মরি ফগৎহনবা ঙম্লে। মসিমক্তা কোভিদ ১৯ গী লোকদাউন মনুংদা অমনা অমগী অঙম্বা মতেং পাংনদুনা অৱাবা শরুক য়ামিন্নখিবনি। হৌজিক্তি ফেক্ট এনকাউন্টর অমদি নুমিদাং অথেংবদা চখোক চৎশিন্দা কিনরম্বা অদু কোকহনখ্রে, বন্দ ব্লোকেদ লৈখিদ্রে হায়খি।

এম পি না মখা তারদুনা লৈঙাকসিদা চৎমিন্নরিবা এন পি পি না পোলিটিক্সনি হায়দুনা তাবদা নুংঙাইরোইদবা কয়ামরুম ঙাং শক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। এন পি পি মনিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াওনা ওফিস বিয়াররশিং পুল্লপ বি জে পি দা চংলক্লগে হায়বদা চিফ মিনিষ্টরনা মীখল ময়াগা ওইবনা চৎমিন্নরিবা পার্টি ওইবনা চোন্থদুনা লাকখিবনি, অদুবু ঙসিদি বি জে পি দা চংলক্লে। এন পি পি অসি শিল্লোংদা লৈবা নেস্নেল পার্টিনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চিফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লৈবাক মীয়ামগীদমক তৌরিবা থবক অসিদা থাজবা থমদুনা বি জে পি দা চংলকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

পনবা য়াবদি এন পি পি গী নেস্নেল প্রসিদেন্ট ওইরিবা মেঘলয়াগী চিফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা এন পি পি মনিপুর য়ুনিৎকী প্রসিদেন্ট থাংমিনলিয়েন কিপগেন পার্টি অসিদগী তান্থোকখিবগা এম এল এ লৈসিয়ো পার্টিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখিবনি। চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা এন পি পি গী এম এল এ মরিমক মিনিষ্টর ওইরম্বদু মিনিষ্টর ২ দ্রোপ তৌখ্রবনি।

ব্রোজেন কোভিদতগী হেন্না তমথিবনি – রঞ্জিৎ

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ বি জে পি দা ময়ুম পানখ্রবা এক্স এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অসি হৌজিক মালেমদা অকিবা ফংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ ১৯ দগী হেন্না তমথিবা মহিক মখল অমনি। কোভিদ ১৯ অসিনা ঐখোই মীওইবসি চংনা চংনা শিবগা চপ মান্নহল্লবা ৱানরবা মতমনি। মী অমগা অমগা লাপ্পগদবনি, হেন্দ সেনিটাইজ তৌগদবনি হায়দুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা এম এলএ ওইবা তোক্লগা ভোৎ হলহন্দুনা অৱাবা পিরিবা অসি কোভিদ ১৯ দগী হেন্না শাথিদে হায়বা য়ারিব্রা হায়না এম এল এ – কে রঞ্জিৎনা হায়খ্রে।

ৱাফমসি ঙসি ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী কাইরেম্বীখোক ময়াই লৈকায় কম্মুনিতি হোলদা মরক্কী মীখলদা আই এন সি গী মীরেপ এম হেমন্তবু মায়পাকহন্নবা পাংথোকখিবা কংগ্রেস ৱাকর মিটতা এম এল এ রঞ্জিৎনা ৱাফমসি ফোংদোক্লদুনা মশাগী ওইজবা খরা ফংনবীদমক ৱাজিং তেন্থা কেন্দ্রগী মীয়াম্বু লুকমাইদা হাপ্তুনা য়োল্লন্নগা হল্লকপা ঙম্বা এম এল এ ফমদগী তোকথোক্লগা লায়চৎ মরক্তা ভোৎ হলহনবা ঙম্বসি কোভিদ লায়চৎতগী হেন্না শাথিরবনি। চহি মঙাগী মীয়ামগী থবক তৌনবা এসেমব্লিদা থাখ্রগা চহি শুদনা চেল্লক্লিবসি মফম মতম চাদে। অচৌবা পারা অমা তম্বীগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ব্রোজেন দিসক্কালিফাইদ তৌগদবগী ঙাইদুনা লৈরবনি। মহাকপু অমুক হন্না থাগৎলবদি কেন্দ্র অসিদা ভোৎ অমুক হনগদৌরিবনি। নবেম্বর ৭ তা পাংথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্না আই এন সি মীরেপ এম হেমন্তদা ভোৎ পিদুনা পরা তম্বীগদবনি হায়খি। ঙসিগী থৌরমদু এম এল এ সুর্যকুমার, কে মেঘচন্দ্র, দি কোরুংথাং অমদি এম পি সি সি গী ওফিস বিয়াররশিংসু শরুক য়াখি।

ৱার্কস মিট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা কংগ্রেসকী মতমদা লৈবাক মীয়ামগীদমক তৌখিবা থবকশিং নৌহৌননা নিংশিংবগী লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা বি জে পি না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রি। কংগ্রেস মতমদা পায়খৎলম্বা থবকশিং মমিং ওন্থোক্লগা পায়খৎপনি হায়না ফোংদোকখি। লোয়ননা আই এন সি গী মীরেপ মায় পাকহন্নবা ফিরেপ চেৎশিনহনখি।

ছুটি ওইগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ মনিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি জি এ দি সুনন্দা থোকচোমনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না নবেম্বর ৭ তা বাই ইলেক্সন পাংথোক্কদবা ৱাঙ্গোই, লিলোং, ৱাংজিং তেন্থা অমদি সাইতু কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিং, প্রাইভেৎ সেক্তর অমদি অতৈ ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিং নবেম্বর ৭ তা ছুটি ওইগনি। ছুটি অসি পাংথোক্কদৌরিবা মরক্কী এসেমলি কেন্দ্র ৪ গী মীখল অসিদা ভোৎ থাদবা ফংনবগীনি। মীখল পাংথোক্কদবা এসেমব্লি কেন্দ্র ৪ অসিগী মনুংদা লৈবা বেঙ্কশিং, ফাইনাসিয়েল ইন্সটিট্যুটশিং অমদি এল আই সি নচিংবা পুম্নমক সেক্সন ২৫ নেগোসিয়েলবল ইন্সত্রুমেন্ট এক্ট ১৮৮১ গী মখাদা ছুটি ওইগনি হায়না ওর্দর অসিনা পল্লি।

য়ু লিটর ৫০ ফাগৎলগা হৈদোক্লগা মাংহনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা নিষাগী পোৎলম চাবা থকপা অমদি য়োনবা লেপ্পবা অপুনবা লুপ নিংথৌখোংনা অথিংবা থমদুনা লৈরিবা অসিবু থৌওইদনা নিংথৌখোংদা য়ু য়োল্লম্বা মফমশিং অমদি য়ু সপ্লাই তৌবদা শিজিন্নবা দিজল ওটো অমদগী য়ু লিটর ৪০ নিংথৌখোং বজারগী গ্রোসরি দুকান অমদগী য়ু লিটর ১০ পুন্না লিটর ৫০ ফাগৎলবা মতুং মীয়াম মমাংদা হৈদোক্তুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

অপুনবা লুপ নিংথৌখোংগী ভাইস চিয়ারমেন আর কে তোম্বীসনানা লুচিংবা টিম অমনা নিষাগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা দ্রাইব অমদা ঙসি য়ুশিং অদু ফাগৎলবা মতুং নিংথৌখোং বজারদা মীয়াম মমাংদা হৈদোক্লগা মাংহনখিবনি। দ্রাইব অসিগা মরি লৈননা আর কে তোম্বীসনানা হায়খিবদা কোভিদ লায়না লায়চৎ অসিনা কম্মুনিতি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা পিবা অমদি মীওই কয়া মীপাইনরিঙৈ চৈরক্তা নিংথৌখোংদা লায়না লায়চৎ অসিবু ঙাকথোক্নবা মীয়ামগা খুৎশম্নন হোৎনরিঙৈদা ময়াই কাবা নিষা চাবা অমদি য়োনবগী থবক লোন্না চখরে হায়বা পাউ ফংবদগী ঙসিগী দ্রাইব অসি চখবনি।

মতম কয়াগী মমাংদগী হৌনা লুপ অসিনা নিংথৌখোং এরিয়াদা ময়াই কাবা নিষা চাবা, য়োনবগী থবকশিং অসি থিংদুনা লাকপনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লোন্না নিষা য়োনবগী থবক চখরক্লে হায়বা অপুনবা লুপ্না পাউ ফংবদগী ঙসি সরপ্রাইজ ওইনা দ্রাইব অসি চখবনি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু হান্না পাউ পিবা তৌদনা মফম মতম য়েংলগা দ্রাইব চখখিগনি। ময়াই কাবা নিষাগী ইপাক্তগী ইনখৎলক্লিবা নহারোল কয়াগী পুন্সি কন্নবা দ্রাইব অসি চখবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

গিনসুৱান ৱাশক্কনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ লাক্লিবা নবেম্বর ৭ তা মনিপুরদা পাংথোক্কদবা মরক্কী মীখলদা সিংহাৎ কেন্দ্রদা লম্বা য়াওদনা মায়পাকখ্রবা বি জে পি গী মীরেপ গিনসুৱান হাও হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা মনিপুর লেজিস্লেতিভ এসেমব্লিগী স্পিকরগী ওফিস্তা ৱাশক লৌগনি হায়না এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েৎকী জোইন্ট সেক্রেটরিগী চেরোলদা হায়রি।

পনবা য়াবদি বি জে পি গী মীরেপ গিনশুৱানহাওগা লম্বা তৌনরম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ চিনলুন্থাংনা মহাক্কী মীরেপ চে অদু লৌথোকখিবনি। মরক্কী মীখল অসি ৱাঙ্গোই, লিলোং, ৱাংজিং তেন্থা অমসুং সাইতু কেন্দ্রদা পাংথোক্লগনি।

বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক মীয়ামদগী লাপথোরক্লি – সোতিনকুমার

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ বিরেন্না লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক অসি নোংম নোংমগী মীয়ামদগী লাপথোরক্লি। ষ্টেট অসিদা হেঙ্গৎলক্লিবা কোভিদ ১৯ লায়চৎতগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা নিংথিনা লায়েংবগী মহুত্তা নবেম্বর ৭ তা পাংথোক্কদৌরিবা কেন্দ্র খরগী মরক্কী মীখলদা বি জে পি গী মীরেপ্পা নমফু হাফুদা ওইরবসু কাহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা হোৎনরি। ইলেক্সন কম্মিসন্না পিবা চৎনা কাঙলোনশিং থুগায়রগা ভোৎ খোল্লি। মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট থুগায়রিবা থৌদৌ অসি ইলেক্সন কম্মিসন্না খুদত্তা থিংফম থোকই হায়না মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সি পি আই গী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারগী চেরোলদা হায়রি।

কোভিদ ১৯ গী অকনবা লায়চৎ মরক্তা অমদি লৌ মুল্লকপগী মতমসিদা নুমিৎ খরনি চুখিবা নোংনা লৌফম কয়া ঈশিং ঈরুপ্পুনা লৈরি। লৌফম কয়া মাংবা য়াবগী অকিবা লৈরি। অসিগুম্বা ফিভমসিদা চিফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং করিমত্তা চংদ্রি। নাকল অমরোমদা বি জে পি লৈঙাক্না লল্লোল ইতিক তৌবা কাংবুনা তৌনিং তৌহনবা থৌশিলদগী ষ্টেট অসিদা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংখৎখ্রে। হিরমসিদা মহৈরোয় লুপ, সি এস ও, পোলিটিকেল পার্টিশিং পুন্না স্ত্রগল চংশিনবা তঙাইফদ্রে।

ইম্ফাল জিরি লম্বী ফিভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি। বি জে পি না লৈঙাক পায়রবদি লম্বী অসি সনানা ইঙ্গ্রি শিৎপগুম্না শেমগৎকনি হায়না মীখল মমাংদা মোদি অমদি নিতিন গদকারিনা লাউথোকখিবদু হিংচাবিনা শরি শোনবগুম চপ চানা থোক্লে। লম্বী অসিদা চৎলিবা গারিগী মীওইশিংদগী অন্দরগ্রাউন্দনা নমদুনা টেক্স লৌরি। মীওৎ মীনৈ কয়ামরুম চখরি।

অশিবা ওইনা ফংখ্রে

জিরিবাম, ওক্তোবর ২৭ ঃ থা অসিগী ২৫ গী নুমিদাং পুং ৭.৪৫ রোম তাবদা কছার দিষ্ট্রিক্টকী রামগাইজাং খুন্দগী জলাপৌ কামৈ চহি ৩৫ জিরি তুরেলদা লুপখিবদু থিবা খংদনা লৈরকখিবদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৪০ রোম তাবদা খুঞ্জাশিংনা জিরি তুরেল অমদি দিগলি তুরেল মপান্দা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রে। সিলচরগী ফয়ার সার্ভিস অমদি এন দি আর এফ কী টিম অমনা হকচাং অদু থিবদা ফংদ্রে হায়দুনা হনখ্রবনি।

হৈরোক কেন্দ্রগী সলুংফম লম্বী শেম্বীদবগী রেল্লি চৎখ্রে লম্বী তৌখায়খ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা সলুংফম লম্বী অসি চহি কয়াগী মমাংদগী শেম্বীরক্তবগী মায়োক্তা মীয়াম্না ঙসি রেল্লি চৎখ্রে। জে সি বি শিজিন্নদুনা লম্বী তৌখায়বগা লোইননা হৈরোক কেন্দ্রদা সলুংফম য়াওবা পামদ্রে। ভোৎ ময়াদা খোইচাক থাবিরনু। কেন্দিদেৎ অমত্তা ভোৎ খোম্বা চংবিরক্কনু হায়না মীয়াম্না লাউখ্রে।

সলুংফমগী ক্লবশিংগী অপুনবা য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনন শিন্দুনা চৎখিবা মীয়ামগী রেল্লি অদু সলুংফম মথক লৈকায় পান্থোইবী বজারদগী হৌখি। রেল্লি অদু সলুংফম মনিং লৈকায় ঙাতেনশোই থোং য়ৌরকপদা হৈরোক পুলিসকী টিম অমনা সি আর পি সি ১৪৪ গী অথিংবা লৈরিবনি হায়না রেল্লি অদু মখা তানা চত্তনবা থিংখি। মীয়াম্না নমদুনা সলুংফম অমদি কাইরেম্বীখোক খুল অনিগী তাইনফম ফাওবা চৎলবা মতুংদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না জে সি বি শিজিন্নদুনা লম্বী অদু তৌখায়খি।

ঙসিগী রেল্লি অদু শিনখিবা ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি লম্বী তৌখায়বদা শিজিন্নরিবা জে সি বি মেছিন অদু ফাগৎনবা পুলিসনা সলুংফমদা লাক্তুনা কোইথি থিবা হৌরকপদা খোইশাওনরবা মীয়াম থোক্লত্তুনা মখা তানা লম্বী তৌখায়রগনি। কনামত্তা চংবিরকপা পামদ্রে হায়দুনা মীয়াম্না ইরাং হৌরকখি। ইরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপ্তুনা মীয়ামদু তানখায়খি। থৌদোক অদুদা মীওই কয়ামরুম অশোক অপন য়াওখি।

য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ফুরিৎশাবম ব্রজনা হায়খিবদা লম্বী অসি শেম্বীনবা মীটিং কয়ারক পাংথোকখ্রে। ধরনা কয়ারক তৌখ্রে অদুবু মরি লৈনবশিংনা ঙসি ফাওবা তাবিদ্রে। নাথেদুনা থম্বীরে। মরম অদুনা ঙসিদি মীয়াম্না খাংবা ঙম্বগী পনখৈ লানখ্রে। নৌনা য়ুম্বান লম্বীদা খোংদারক্লিবা নুপীশিংনা মীরোনবা মতমদা লম্বী অসিদা চৎপদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকখিবা লৈখ্রে। অহল কয়াসু খুদোংথিবা থোক্তুনা লায়কন্নখ্রে। লম্বী অসি শেমদনা অদুম্মক লৈরগদি খুঙ্গং অসি নোংম নোংমগী ফিভম শোকচিল্লক্লগনি হায়খি।

ঙসি ফাওবদা সলুংফমদা অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। খুঙ্গং অসি মীশিং য়াম্মী। অদুবু হিরম খুদিংমক্তা অৱাৎপা কয়ামরুম মায়োক্নরি। স্কুল, অনা লায়েংশঙ, ৱাটর সপ্লাই, লম্বী থোং খুদিংমক ফেল ওইরে। মরম অদুনা সলুংফমগী মীয়াম্না হৈরোক কেন্দ্রদা পুনবা পামদ্রে। সলুংফমগী মীয়াম ভোৎ মতমদা লৈবা য়ারুবনা চাওখৎ থৌরাং খুদিংমক ফেল ওইরে। মরম অদুনা অতোপ্পা কেন্দ্রদা পুনবা পাম্লে। নুমিৎ মঙানি মনুংদা লম্বী অসি শেমজিনদ্রবদি হেন্না কনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি। রেল্লি অদুদা সলুংফম লম্বী খুদত্তা শেমগদবনি, হৈরোক কেন্দ্রদগী সলুংফম খায়দোকপিরো, চাওখৎ থৌরাংগী থবক হৈরোক্তা পায়খৎতুনা লৈরে হায়না ইবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

অমরোমদা ঙসি মীয়াম্না সলুংফম লম্বী শেম্বিদ্রে হায়দুনা চংশিলখিবা খোঙজং অদুদা লম্বী তৌখায়বদা শিজিন্নখিবা জে সি বি মেছিন অদু হৈরোক পুলিসনা নুমিদাংদা লাক্লগা দ্রাইভরগা লোইননা ফাজিনখ্রে হায়রি। লোয়ননা কেস অমা লৌখৎতুনা আইনগী ওইবা থবক পায়খৎপা হৌরে। থৌদোক্তুদা চেন্নবশিং ফাগৎনবা হোৎনরি হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

অৱাং সেকমাই মহৈ মশিংদা মাংজিন থারক্লে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৭ ঃ মীয়াম্না অৱাং সেকমাইগী য়ু অমসুং সেকমাই ঙারি হায়না হায়নরগসু মচা মশু শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। মতম খরা শোত্থনা লৈরন্নগসু ঙসিদি অৱাং সেকমাইদা অফবা মহৈরোয় কয়া থোক্লক্তুনা লৈঙাক্কী অচৌবা ফম পায়বা য়াওরক্লে। অৱাং সেকমাই হায়রিবা লমদম অসি মনিপুরগী মনুংদা মহৈ মশিং তম্বগী লমদা মাংজিল থাবা লমদম অমা ওইরক্লে হায়না অৱাং সেকমাই সেদ্যুল কাষ্ট দেবলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ সুরজমনিনা হায়খ্রে।

মহাক্না পাউমীশিংদা হায়খিবদা অৱাং সেকমাই সেদ্যুল কাষ্ট দেভলপমেন্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৫ দা অৱাং সেকমাই কৌজেং লৈমা কম্মুনিতি হোলদা ১৮ রক শুবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাংথোকখি। কম্মিট অসি কুমজা ১৯৭৭ কী মে ৪ দা লীংখৎখিবনি। সেকমাইগী মহৈরোয়শিং পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা কুমজা ২০০৩ দগী লেপ্তুনা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পিদুনা লাকপনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হৌরকপা মতমদা মহৈরোয় খরখক থোক্লককখি। হন্দক চহিদা মহৈরোয় ৭১ দা মেরিৎ এৱার্দ পিবা ঙম্লে। মসিনা তাক্লিবদি অৱাং সেকমাইদা ঙসিদি অফবা মহৈরোয় লেপ্তুনা থোরক্লি। মহৈরোয় হেন্না থোরক্নবগীদমক মীয়াম্না হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং পুক্লিং থৌগৎমিন্নসি হায়খি।

গ্যাসকী পাউ

HARAN VALLEY GAS, Kwakta
Bk/ Upto: **26/10/20** V/f **11/10/20** (7.30 a.m. to 10.30 a.m.)
Home Delivery Contact No. **7085412191,**

K & K INDANE, Tera bazar
Bk: **12/9/20** V/f **8/9/20** (SL No. 100 A & B)
Gas booking counter open at Tera Bazar office (7.30 a.m to 11 a.m.)

LAMBODARA INDANE (Home Delivery Only)
Bk/ Upto: **1/10/20** V/f **28/9/20** (Delivery date 28-10-20)
For registration SMS :-
IOC <Space> **03852427434** <Space> Consumer No. send to **90899024365**
Booking SMS :- IOC. **9089024365**
Contact No:- **7005382686** (Enquiry) (8 a.m to 11.30 a.m.)

MAIBIA GAS, Moirang (Home Delivery Only) **Stk 306**
Bk: **9/9/20** V/f **7/9/20** (8 a.m. to 12 Noon)
Contact No: Dilip- **9612883295** (Moirang AC)
Ajay- **7005667570** (Thanga AC)
Rojen - **8787381746** (Kumbi AC)
Booking No. **7085972248**

MAHALUXMI GAS, Lilong (Home Delivery Only)
Bk: **4/9/20** V/f **15/8/20** (9 a.m. to 11 a.m.)
Office Contact No. **9862312969, 8414929709**
Home delivery No. 841494010, 7005573790, 9366735870
(Booking after 15 days from delivery)

ফিসরি মিনিষ্টর এস রাজেননা লম্ফেলদা লৈবা ফিস ফেট মিল প্লান্ট য়েংশিনখিবা

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ভি দি এফ পার্সোনেল অনিদা শেলগী মতেং পিখিবা

ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী কাইরেম্বীখোক্তা আই এন সি মীরেপকী ৱার্কর্স মিট পাংথোকখিবা